এম এল এ ইন্দ্রজিৎকী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনগী ৱিটনেসশিং এগজামিন তৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন্দা ৩-ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী মায় পাক্লকখিবা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগী ৱায়েলদা কেস অসিগী মরী লৈনবা ৱিটনেসশিং এগজামিন তৌদুনা মখোয়গী ইভিদেন্সশিং লৌবগী থবক চথনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা এম এল এ অসিগা লম্বা তৌনখিবা হান্নগী এ সী অসিগী এক্স এম এল এ এম দি অমিন শাহনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বরনা ৯ ওফ ২০১৭নি। ইলেক্সন পিটিসন অসি হায় কোর্টনা লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েলশিং চথরকখিবগী মনুং চন্না ঙরাং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চতা মেট্টর অসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা লৌখৎখি।

কোর্টনা ঙরাং পীখিবা ৱায়েলগী মতুংইন্না কেস অসিগী পিটিস্নরসু ওইরিবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ১ এম দি অমিন শাহাগী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌবগী থবক থা অমরোমগী মমাঙদা হৌখ্রবনি। অদুবু হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী খুদোংচাদবশিং অসিনা মহাক্কী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌবগী থবক অদু মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমখিদবদগী কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক ঙসি অমুক হন্না লিষ্ট তৌবনি হায়খি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী খুদোংচাদবশিং অসি মখা তানা মায়োক্লরিবগা লোয়ননা কোর্টকী প্রোসিদিংশিংসু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা চথরিবনা ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্স রেকোর্দ তৌবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। মরম অসিনা অতোপ্পা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী ৱায়েলদসু ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্স রেকোর্দ তৌবগী থবক অসি কাউন্সেল অমবু কম্মিস্নর ওইনা খল্লগা মহাক্কী কম্মিসনননা তৌনবগুম্না পাঙথোক্লনবা ৱাফম থমখি। মসিদা কেস অসিগী পার্টি অনীমক্কী কাউন্সেলশিংনা য়াবদগী কাউন্সেল সী ঐচ মোমোনবু কেস অসিগী ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌনবগীদমক কম্মিস্নর ওইনা এপোইন্ট তৌখি। লোয়ননা কোর্টনা খল্লবা কম্মিস্নর অসিনা কেস অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা এম দি অমিন শাহগী মায়কৈদগী ৱিটনেসশিং ওইরিবা পিটিস্নর মশামক য়াওনা অবদুল কলাম সাইক অমসুং সেলিনা থৌনাওজমগী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

কোর্টনা খল্লবা কম্মিস্নর অসিনা ৱিটনেসশিং অসি ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌনবগীদমক মতম অমা লেপ্লগনি। মহাক্না লেপ্লিবা মতম অদু মাঙজৌননা কেসশিং অসিগী পার্টিশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংদা খঙহনগনি। লোয়ননা কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনসু ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা রেকোর্দশিং মীওই অমা থাদুনা রেকোর্দিং তৌনবগীদমক লেপ্লিবা নুমিৎ অদুদা কম্মিস্নরদা ফংহনগনি হায়রি। অদুগা কেস অসিগী পিটিস্নরসু ওইরিবা ৱিটনেস নম্বর ৱান এম দি অমিন শাহগী ৱাৎহৌবা ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌবগী থবক অদুসু কম্মিস্নর অসিনা মখা চথবগা লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা এগজামিন তৌগদবা ৱিটনেসশিংদা সমন ইস্যু তৌনবা কোর্টনা রেজিষ্ট্রিদা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক ইলেক্সন পিটিসন অসি জন্যুৱারী ১৮, ২০২১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিগী ৱায়েল চথরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল সাপম বিশ্বাজিৎ মৈতৈনা লেপ্লগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী কাউন্সেল এম দেবানন্দনা লেপ্লিবনি।

সি পি আই (এম) না বৃন্দাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস)ঃ লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) কী স্পেসল কোর্ট অমনা থা অসিগী ১৭তা চান্দেলগী ফোর্মর ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সি) চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোশৈ জৌবু মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখ্রবা মতুং ঙরাং মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল এস পি থৌনাউজম বৃন্দানা চীফ মিনিষ্টর্স পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি হন্দোকখিবগী থৌওং অদুবু পুক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট), মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সি পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা লুপা ক্রোর ২৮ রোমগী দ্রগ কেসকা মরী লৈননা লুখোশৈ জৌ ফাখিবনি। বৃন্দানা নার্কোটিক এফিয়র্স এন্দ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনগী এদিস্নেল এস পি ওইনা থৌ পুরিঙৈ মতমদা লুখোশৈ জৌ মহাক্কী খুৎপুগা লোয়ননা ফাখিবনি। মহাক্কী মথৌনা অদুগীদমক হৌখিবা চহী ২০১৮ গী অগষ্ট ১৩ দা পাঙথোকখিবা চহী অদুগী অথৌবশিংগী নুমিত্তা মণিপুর লৈঙাক্না মহাকপু চিফ মিনিষ্টর্স পুলিস মেদল ফোর গেলেন্ত্রি পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবনি।

এন দি এন্দ পি এসকী স্পেসল কোর্ট অমনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা লুখোশৈ জৌ অমদি মীওই তরুক মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখি। মদুগী মতুং নুপী পুলিস ওফিসার অসিনা মেদল হন্দোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোক অসি মখা তানা থোরক্ত্রিঙৈদা লুখোশৈ জৌগী কেস অসি স্পেসল ইনভেষ্টিগেটিং টিম অমা শেমদুনা অমুক নৌহৌননা থিজিলহনবা মথৌ তাই। নত্রবদি লমদম অসিগী মীয়াম্না এগজেক্যুটিব এন্দ জুদিসিয়ারিদগী থাজবা মাঙখ্রগনি হায়রি।

খোংজোম পর্ব্ব, খুনুং অমদি খুল্লং ঈশৈগী ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস)ঃ মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৪ ফাওবা চথগদবা খোংজোম পর্ব্ব, খুনুং ঈশৈ অমসুং খুল্লং ঈশৈগী ফেষ্টিভেল্লে কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা হৌদোকখ্রে।

ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী লোয়নবী লৈমরেন্বী অনামিকানা হায়খি, ঐখোয়গী লৈজরক্লবা নাৎকী ওইবা ঈশৈ কয়া মমি শামজি ল্লকপদৌনা উনরক্লবা মতমনি। ঙসিগী মীরোলনা কাউনবগুম লৈরক্লবা মতম অসিদা শুমাং লীলা কাউন্সীলনা খোংজোম পর্ব্ব, খুনুং ঈশৈ অমদি খুল্লং ঈশৈনচিংবা য়োকখৎননবা ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। তুং কোইনা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপা ঙম্বা ওইসনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা শুমাং লীলা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি এস ঐচ হেমন্তনা হায়খি, পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ঐখোয়গী নাৎ অমসুং কলচর অসি মকা লাম্না লৈরক্লবা মতমদতা কলচরদা ইনাক খুনবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী নাৎকী ওইবা আর্ট ফোর্মশিংবু য়োকখৎননবা পুন্নমক্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা শুমাং লীলা কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসি লৈমনা হায়খি, কাউন্সীল অসিনা ঐখোয়গী নাৎ অমসুং কলচরবু য়োকখৎননবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি হায়খি।

জৌ থাদোকপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস)ঃ লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগ কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা হান্নগী চান্দেল এ দি সিগী চ্যেরমেন লুখোশৈ জৌবু মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা উয়ুমপোক খুঞ্জাও কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

সেক্রেটরি ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি কাদা, কে ঐচ অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অদু কাদা উয়ুম্পোক য়ুনিট, উয়ুম্পোক খুঞ্জাও মৈরা পায়বী, উয়ুম্পোক দিবলপমেন্ট কম্মিটি অমদি এফ য়ু সি উয়ুম্পোক্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুগা মরী লৈননা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা ফোঙদোকখিবদা, মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখ্রবা লুখোশৈ জৌ ফাবা মতমদা মায়কৈ কয়াদগী মহাক দ্রগ কিং পিননি হায়না ফোঙদোক্লরকখি। অসিগুম্বা মীওই অমগী কেস ত্রাইল চথবদা চিংননিঙাই ওইবা থৌওং কয়া চথখি। মরম চাদনা লুখোশৈ জৌ ফাবদা চেন্নবা নুপী পুলিস ওফিসার ট্রান্সফর তৌবা, তেনখ্রবা ত্রইয়েল চথবগী মতম অসিদা এন দি এন্দ পি এস কোর্টকী টর্ম লোইদ্রিবা জজ ট্রান্সফর তৌখিবগী থৌদোকশিং অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা চমন্নবা পোকহল্লে।

কাদানা মতম পুম্বদা লমদম অসিদগী ময়ায় কাবা চীঙ্গাকশিং মরু ফংনা মুখৎখিনবা হোৎনদুনা লাক্লি। খুন্নাই অসিবু নিশাগী কোমদগী চিংখৎনবা হোৎনরিঙৈদা মশামক্কী কার্টরদগী য়াম্লবা দ্রগকা কোন্ননা ফাখিবা মীওই অমবু মরাল লৈরমদ্রে হায়না থাদোকখিবা অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। কেস অসি মখা তানা মথক থোংবা কোর্ট অমদা অপিল চত্নুনা মীয়ামগী চিংনবা অসি কোকহন্নবা পাল্লিবা গর্ভর্নমেন্ট অসিনা হোৎনগদবনি হায়রি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা উয়ুম্পোক খুঞ্জাও মৈরা পায়বীগী এদভাইজর শান্তিবালানা ফোঙদোকখিবদা, লুখোশৈ জৌ থাদোকখিবা অসি মীয়ামগী অপান্দ্বগী মায়োক্তনি। কেস অসিবু পায়রিবা আই ও য়াওনা মীওই কয়ানা লৌতুনরগা মহাকপু থাদোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট শেমদোক্তুনা মথৌ তাবা থবক পায়খৎকদবনিঃ কিমাক্স

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস)ঃ কৌব্রু চীংশাংগী অকোয়বদা নৌনা খুন্দাশিল্লক্লিবা অসি লৈঙাক্কী মরি লৈনবশিংনা হোঙদোকখিনবা শিনগদবনি নত্রগা এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট ১৯৬০ শেমদোক্তুনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎকদবনি হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিয়েল এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) না ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কিমাক্সনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা কৌব্রু চীংশাং অসি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী তম্মী অনীনা ঙাক শেনবগী থৌদাং পায়খৎমিন্নগদবনি। লৈঙাক্লসু হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎকদবনি।

চীংমী তম্মী অনীগী হৌরকফমগা শগোন্নদুনা লাক্লবা চীংশাং অসিগী ফিভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি। মহৌশাগী খল কায়থরকপগী মরমসু মসিনা অমা ওইরি। লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী ওইনদি কৌব্রু অসি শেংলবা লাইফল্লেন অমনি। মাও হৌরক্লেনগী ৱারীদা কৌব্রু চীংগা শগোন্নরিবা মাখেল চীংদা চীংমী তম্মী অনী হৌরকখিবগী ৱারী ময়েক শেংনা পল্লি। ৩৩ এ দিগী পোইরৈতোন খুন্থোক্কী ৱারীদসু কৌব্রু চীংশাং অসি য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইনা তাক্লি।

লমদম অসিগী পুৱারীগা শগোন্নদুনা লাক্লবা মাখেল অমদি কৌব্রু চীংশাং নাপোম অসি য়েংশিনবীদবনা মরম ওইরগা হান্নদগী ফিভমদগী হেন্না শোকচিল্লক্লি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনসু ঙসি ফাওবদা হিরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চংবসু লৈত্রি। মসিমক লমদম অসিগী ওইনদি য়াম্না লাইবক থিবনি। অমরোমদা তম্পাক্কী লমদম মপুং ওইনা খুন্দারিবা মৈতৈ/মীতৈশিংগী ওইনদি কৌব্রু অসি শেংলবা লাইফল্লেন ওইনা লৌদুনা লাক্লি। মীওইবগী পুন্সিনা লোইরবা মতমদা কৌব্রুদা তিল্লি হায়দুনা ঙসিফাওবা থাজনরি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা নিংলিবা ইশ্বরশিংগী খুভমদি মরী লৈনবশিংনা শেমগৎ শাগৎলি। অদুবু মাখেল অমদি কৌব্রুগী ওইনদি শেমজিনবা অমদি ঙাক শেনবগী মমি উদ্রি। গভর্নমেন্টনা হিরম অসিগী মতাংদা হৌজিকমক্কী ওইনা মীৎয়েং চংবা লৈত্রবসু য়েলহৌঙৈদগী খুনদামিন্নরক্লবা চীংমী তম্মীনা অমত্তা ওইনা হায়রিবা চীংশাংশিং অসি ঙাক শেন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে। হায়রিবা অসি মতম লৈরিঙৈদা থবক্তা ওন্থোকহৌদ্রবদি য়েলহৌমীশিং শোয়দনা মুৎখ্রগনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা চীংমী তম্মীগী মীহুৎশিংনা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা কিমাক্সনা শরুক য়াগনি হায়রি।

অনেম্বা শেন্দোইদা লোন লৌবা, ইনভেষ্ট...

*লামায় ১গী মখা...*অসি লোকদাউন কোমথোক্তুনা লাকখিবদগী মীয়াম্না থবক শুবা-নোম্বা হৌনরকপা মরম্না অমদি মীয়ামগী থৌগল মখা তানা তৌবা ঙম্লবগীমকথা অসিগী দিসেম্বর ২১দগী হান্নগুম্না পেমেন্ট হৌবিনবা নুংশিজরবা লোনি কষ্টমরশিংদা হায়জরি। লোয়ননা লাক্কদৌরিব চহী কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ২দগী হান্নগুম্না নোর্মেল রিপেমেন্ট হৌবিনবসু খঙহঞ্জরি হায়না ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা মতমদা লোন শিংবগী হৈনবী ৱাৎপা, লোন শিংদবা মীওই য়াওরকপা থেংনজে মদু তশেংনা লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা পুন্না চাওখৎমিন্নবদা থেংথবা হায়বদুসু ওইহল্লি। লোয়ননা ইশাগী লম্বী ইশানা ককচবা হায়বদুসু থোকহল্লে। ফাইনান্সসিয়ল দিসিপ্লিন ফজনা মেন্টেন তৌহৌবনা মথংগী মীরোলনা ঐখোয় পুম্নমকপু নুংশিনা শোলহৌগনি। ফাইনান্সসিয়ল ইন্সটিট্যুসন অমা কাংলোন চুম্না সেটঅপ তৌদুনা লিংখৎপা হায়বসি অরায়বা থবক অমদি নত্তে। ময়েক শেংবা ফাইনান্সসিয়ল ইন্সটিট্যুট অমগী শক্তমদি রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না হকথেংননা লাইসেন্স পিবা অমসুং রিগ্যুলেট তৌবা হায়বসিনি। অদুবু আর বি আইগী লাইসেন্স ফংনবা হোৎনবা হায়বসিসু য়াম্না লুবা থবক অমনি। সীরিজ ওফ নেসেসরি দোকুমেন্টশিং চঙবগী মথক্তা অচৌবা ফাইনান্সসিয়ল ইনভোল্ভমেন্ট অমসু মথৌ তাই। পান্থোইবি হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ (পি ঐচ এফ সী এল)না ফংবা ঙমজখ্রবা লাইসেন্স অসিমক্কী ঙসি ঙসিমক্কী নেট ঔন্দ ফন্দ (এন ও এফ) অসি ক্রোর ২০ ওইরিবশিমক ইকুই কুইদনা চহী অমা অনীগী মনুংদা ক্রোর ৫০ অমদি ক্রোর ১০০ হেনগৎখ্রগনি। এন ও এফকী ওইরিবা ফিগার অসিনা পি ঐচ এফ সী এলগী হৌজিক ওইরিবা ষ্টেটস অসি কন্দাই ফাওবা য়ৌখ্রবগে হায়বসিসু ময়েক শেংহল্লি।

লমদম অসিগী পুৱারীদা দাইরেক্ট ফ্রেশ ওইনা মমল য়ামখ্রবা লাইসেন্স ফংদুনা আর বি আইনা রিগ্যুলেট তৌবা অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংগী অমদি মীয়ামগী শিঙ্গল নেগেটিভ রিমার্ককী মমি তাদনা শাংলবা চহী ১৫গী খোঙচৎ মপুং ফাখিদুনা অমুক্না হেন্না ফজরগদবা চহী ১৬কী খোঙচৎতা চঙশিনখ্রবা ক্লিন অমদি প্রোমিজিং ওইরবা মখলগী অহানবা ফাইনান্সসিয়ল ইন্সটিট্যুসন অদুমক ঙসিদি ইমা ইবেম্মা পান্থোইবিগী কোলোই মিংলেন লৌজদুনা মিংথোনজখিবা এন্টয়র নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগীশু পি ঐচ এফ সী এলনা মকোক থোংবা হায়বদু ওইরে। ঙসি মকোক থোংনা চৎপা ঙম্লিবা অসি ইমা পান্থোইবি, ষ্টেকহোল্ডর অমদি মীয়ামগী মিনুংশিগী থৌজালনা ঙম্লিবনি হায়খি।

লোয়ননা মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী ফাইনান্সসিয়ল সেক্টরদা অচৌবা ফিন্দা অমা কনবা ঙম্লবা ঐখোয় পুম্নমক্কী পি ঐচ এফ সী এলনা থমজরিবা রিগ্যুলর হোম লোন, সবজি দাইদ হোম লোনশিং অনেম্বা শেন্দোইশিংদা খুদোংচাবশিং লৌবিদুনা সেমি পক্কাগী অমসুং পক্কাগী ওইবা য়ুমশিং কয়া অমা শান্নদুনা নুংঙাইনা ঈংনা-চিক্লা মীওই কয়া লৈনখ্রে। এল এ পিনচিংবসু কয়া অমা লৌনখ্রে। সিষ্টর কম্পনিশিংনা থমজরিবা মাইক্রো ফাইনান্স তোঙান-তোঙানবা বিজিনেস লোননচিংবশিং অনেম্বা অতাবা শেন্দোইগী চাংদা লৌনদুনা মশা-মশাগী বিজিনেসশিং চাওখৎনখ্রে। পুম্নমক্না পি ঐচ এফ সী এলদা লেংশিনবিরক্তুনা থমজরিবা ফাইনান্সসিয়লগী খুদোংচাবশিং অসি লৌবিদুনা হেন্না চাওখৎপা লম্বীরোমদা চৎমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

‘গভর্নমেন্টনা নেটিভ পিপলস হান্না মশক খঙদোকপা মথৌ তাই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস)ঃ মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেমগী কান্নবা মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনবদা গভর্নমেন্টনা লমদম অসিগী নেটিভ পিপলসশিং হান্না মশক খঙদোকপা মথৌ তাই হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমী য়ুথ ৱিংগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ জেনসননা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কে ঐচ জোনসননা খুয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা মতম কয়াগী মমাংদগী মণিপুর মীয়ামনা লমদম অসিগী য়েলহৌমী কঞ্জনবা ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম চৎনহনগদবনি হায়দুনা মতম মতমদুদা পাল্লম্বা গভর্নমেন্টশিংদা তক্লদুনা লাকখি। লমদম অসিদা আই এল পি চৎনহন্নবা হোৎনদুনা মণিপুর মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিনখি। মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজংশিং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিস অমদি খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামগী মরক্তা মুক্লবগী থৌদোক কয়া থোকখি।

পুলিস অমদি মীয়ামগী মরক্তা কাহেন্না মুক্লরকপদগী পামদবা থৌদোক কয়াসু থোকখি। থৌদোক অদুদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অশোক অপন নঙহনখিবগা লোয়ননা অশি অনা ফাওবা থোকখি। মীয়াম্না মতম শাংনা হোৎনরকপগী মহৈ ওইনা ঙসিদি লমদম অসিদা আই এল পি চৎনবা অয়াবগী অয়াবা ফংলে। অদুমওইনমক লমদম অসিগী মীয়াম্না আই এল পি সিষ্টেমগী মনুংদা য়াওরিবা কান্নবশিং অদুদি মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রি। পাল্লিবা গর্ভর্নমেন্ট অসিনসু কান্নবা অসি মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনবগী মমীসু তাদ্রি। আই এল পি সিষ্টেমগী ক্লোজ ৯ দা য়াওরিবা নেটিভ পিপল হায়রিবা অসি ঙসিফাওবদা লৈঙাক অসিনা দিফাইন তৌবা লৈতে। নেটিভ পিপল দিফাইন তৌদনা গর্ভর্নমেন্টনা য়েলহৌমী কনবা ঙম্লোই। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং অথুবা মতমদা পাখৎকন্দবনি হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ মরক অসিদা মণিপুরদা মশক খঙদবা মীয়ানচা কয়া অমা চঙশিল্লক্লি। হায়রিবা মীওইশিং অসি মরী লৈনবশিংনা আই এল পি পাস য়াওরগা চঙলকপ্রা নত্রগা নারোলদা চঙলকপ্রা হায়বদু য়েংশিনবা মথৌ তাই। মসি চেকশিলহৌদ্রবদি গর্ভর্নমেন্টনা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থিংনবা হোৎনরিবা অসি মায় পাকপা ঙম্লোই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

বিহারদগী ফারুবা য়ু জি ২...

লামায় ১গী মখা... পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১৬তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখিবনি। মসিগী মতুংদা মখোয় অনীবু পুলিস ষ্টেসন অসিগী অতোপ্পা কেস অমগা মরী লৈননা কোর্টকী অয়াবা লৌরগা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখি। লোয়ননা অনীশুবা কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকখিবনি। মসিগী মতুংদা শিংজমৈ পি এসকী অতোপ্পা কেস অমদা অমুক অহুমশুবা ওইনা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌদুনা থল্লক্লগা ঙসি মখোয়গী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা পুলিসকী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি।

কোর্টনা পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয় অনীবু মথং থাগী ২ ফাওবা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকখিবা অদুদা অয়াবা পীখি। অদুম ওইনমক শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১৭তা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা নাওরেম দিলিপ এলিয়জ ৱাংঙম্ববু ফোর্মেল এরেষ্ট তৌবদা অয়াবা পীবিনবা হায়জরকপদগী কোর্টনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মহাকপু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

অমরোমদা, লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১২দা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা লোংজম অর্জুন এলিয়জ নাওবা এলিয়জ ঈংববু ফোর্মেল এরেষ্ট তৌবদা অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকখিবদা কোর্ট অসিনসু অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মহাকপুনা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিস ষ্টেসন অসিগী কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

মপামদা উ থাবগী চৎনবী মখা চথরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ হৌখিবা চহী ২০১৮ দগী হৌখিবা লুহোংগদৌরবী নুপীশিংনা মপাম লমদম থাদোক্লমদাইদা উপাল অমমম থারম্বগী চৎনবী মখা তারকপা ওইনা ঙসিসু ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাখোং ময়ায় লৈকাইদা লৈবী টি ঐচ শোমিতানা মহাক্কী হৈজিংপোৎ নুমিত্তা হৈরাঙ্গৈই পান্বী অমা থাদুনা মহাক মশা মহৌশাগী খল ঙাকপদা শরুক য়ারি হায়বা তাকখ্রে হায়না য়ুনিক ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন কম্মিটি (য়ু দব্লিয়ু এল পি সি), মনিণপুরগী সেক্রেটরি আই সনাতোন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

ফাদোক পীখ্রবা কনভিক্ট ২গী...

লামায় ১গী মখা... কোর্ট অসিদা সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোক্লনবা লেপখিবনি। অদুবু থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা থাগৎলকপা চার্জশীটকী মতুংইন্না কোর্টঅসিনা লৌখৎপা সেসন ত্রায়েল কেস নম্বর ২ ওফ ২০১৯ অসি কোর্টনা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি। লোয়ননা কনভিক্ট অনীগী সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোক্লনবা থৌরাংলকপদা থেসস এলিয়জ জেমস বোনগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল য়াওনা কনভিক্ট অনীমক্কী কাউন্সেলশিংনা কোর্টকী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী কোপি ফংদ্রি হায়দুনা কোর্টতা ফোঙদোকখি। লোয়ননা ওর্দর অদু ফংহনবীবগা লোয়ননা মদুবু পানবগী মতম পীবিনবা হায়জরকখি। কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা প্রেয়রশিং অদু কোর্টনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা ঙসি জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী কোপিশিং কাউন্সেলশিং অদুদা খূৎশিন্নখি। লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্কনি লেপ্লম্লা সেন্টেন্স হিয়ারিং অদুথা অসিগী ২১দা ওইনা পাঙথোক্লবা অমুক হন্না লেপখি।

পনবা য়াবদি, কনভিক্ট অনীসিগী সেন্টেন্স হিয়ারিং ঙসি পাঙথোক্লবা লেপখিবগী মতুংইন্না মণিপুর সেন্ত্রেল জেল, শজিৱাদা থেংনখিবা মখোয় অনীমক কোর্ট অসিদা পুথোরকখি। লৈখিদ্রবী নিঙোম্বম সৈত্যভমা এপ্রিল ৩, ২০১৩গী অয়ূক অঙনবদা মহাক্না মরী লৈনবনি হায়বা হৌজিক্না কেস অসিগী ৱায়েলদগী ফাদোক পীরবা তোইজম থেসস এলিয়জ জেমস বোন এলিয়জ অবোয়গা চেল্লগদবনি হায়দুনা ময়ূমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদবনি। মহাক্কী মরী মখোঙ খঙবা ঙম্লক্তবদগী মহাক্কী অপোকপনা এপ্রিল ৫, ২০১৩গী অয়ূক্তা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দা মিসিং রিপোর্ট অমা ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলকখিবনি। অদুম ওইনমক নুমিৎতুমক্কী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা বাসিখোং ৱাংখৈ লৌমানবী কেনেলদা নুপী অমগী অশিবা হকচাং লৈরে হায়বগী পাউ ফংবদগী চৎতুনা য়েংনরুবদা খোঙ্গুল লীবিনবা ৱাকৎলরিবা এন সৈত্যভমা ওইরমখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২/১২০-বি (৩৪) গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২৪ (৪) ২০১৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা কেস অসিগী চার্জশীট থাগৎলবা মতুংদা কোর্ট অসিনা একুইজশিং অসিগী মথক্তা কোকনিজেন্স লৌবগা লোয়ননা চার্জ ফ্রেম তৌরবা মতুংদা মখোয়গী মথক্তা ৱায়েল চথরকখিবনি। অদুম ওইনমক কেস অসিদগী একুইট তৌখ্রবা মীওই অদুগী মমিংনা থৌদাম জিবল (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ থোইবা, ইরিলবুং মচাহলনি। কেস অসিগী ৱায়েল চথরকপদা মহাক্কী মায়কৈদা এদভোকেট আর কে গোপালনা লেপখিবনি।

ফগৎলকপগী চাং হেনগৎলক্তুনা...

লামায় ১গী মখা... মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৭৬ শুরবা নুপা অমা অমসুং সেনাপতিদগী মশাগী চহী ৭৫ শুরবা নুপা অমা লৈখিদ্রে। মীওই অনী অসি রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মশীং ৩৩৬ শুরে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীংনা ২৭,৫৯৮ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪,২৬৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৩৩২নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৫,৫১২ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২২,৩৯০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩১২২নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯২.৪৪ নি। অদুগা কেস ১৭৫০না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৫৪৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২০৬ নি। মীওই ১৪১সু তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং, হোস্পিটালশিং অমদি হোম আইসোলেসন তৌরম্বদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

সী এমনা ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স...

লামায় ১গী মখা... হোৎনবদা লাইনা থোকহন্ননবনি। সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন অমসুং ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি পাঙ্গেদা মতমগা চুনবা অহেনবা খুৎশু-খুৎলায়শিং ইন্সটোল তৌনবা অমদি মেন পৱার হেনগৎহন্নবা গর্ভর্নমেন্ট অসিনা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মীয়াম্না ঈ আর এস সিষ্টেমদা কোল নত্রগা দিসট্রেস সিগনেল পীনবগীদমক মখাদা পীরিবা ওপসনশিং অসিগী মনুংদা অমা হেক্তা শীজিন্নবা য়াগনি। ওপসনশিং অদুদি অহানবদা ইশানা পায়রিবা মোবাইল ফোন নত্রগা লেন লাইন ফোনদগী ১১২ দা দাইল তৌবা, অনীশুবদা ইশানা শীজিন্নরিবা স্মার্ট ফোন অদুগী পৱার বটন অদু য়াম্না থুনা অহুল্লক নল্লগা পেনিক কোল এক্টিভেট তৌবা, অহুমশুবদা মোবাইলগী কি পেদতা য়াওরিবা ‘এস’ ৱাহে নত্রগা ‘৯’ দা কুইনা নল্লগা পেনিক কোল এক্টিভেট তৌবা, মরীশুবদা ষ্টেট অদুগী ঈ আর এস এসকী ৱেবসাইটতা চঙলগা এস ও এস রিকেষ্ট তৌবা, মঙাশুবদা ষ্টেট ঈ আর এস এসতা ঈ-মেল থাদুনা এস ও এস এলার্ট তৌবা অমদি তরুকশুবদা ১১২ ইন্দিয়া মোবাইল এপ শীজিন্নদুনা পেনিক কোল এক্টিভেট তৌবা অসিনি হায়রি।

পোক্পি থাবগী মহুত্তা শেন্থোক মরাং...

লামায় ১গী মখা... থৌদাংশিং অদুবু থাগৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এস দি ও খেঙজোই এন শোখোঙম বাইটে (এম সি এস) না ফোঙদোকখিবদা খেঙজোই অসি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ১৫০ রোম চৎলগা লৈবা অমদি মণিপুরগী শোত্থরবা মফমশিংগী মনুংদা অমনি। অদুবু ওফিস অসি হাংদোক্লবনিনা মফম অসি য়াম্না থুনা চাওখৎলক্লগনি হায়না থাজে। তুংদা মফম অসিদা ত্রানজিট হোষ্টেল ফোর এস টি বোইজ, পি ঐচ সি ব্যুল্ডিং অমদি আই সি আই সি আই বেঙ্ক অমসু শানবা হোৎনরিসু হায়খি।

কেন্সর হোস্পিটাল লিংবদা...

লামায় ১গী মখা... য়ুম্নাম সনাথোইবু রুমেন পুলিস কন্সটেবল দগী সব-ইন্সপেক্টর ওইনা প্রমোসন পীবদসু অয়াবা পীখ্রে।

ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা পুখৎলকখিবা এজেন্দা খন্নরদুনা এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ওজাশিংগী মণিপুর সর্ভিস পে রুলস ২০১৯ রেক্টিফিকেসন তৌবদসু অয়াবা পীখি। এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী ওইবা এজেন্দাশিং খন্নরদুনা কন্ট্রেক্ট্যুএল বেসিসতা হিন্দী ওজা ৪৫৪ লৌবা, ৱান টাইম রিলেক্সেসন ওইনা এম ঈ এস টুদগী ৱানদা প্রমোসন পীবদসু অয়াবা পীখ্রে।

মীফম অদুনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা এজেন্দাশিং খন্নরদুনা হৌজিক হৌজিক হাঙদুনা লৈরিবা ফোরেষ্ট গার্দ ৭০সু দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট ওইনা লৌননবা লেপ্পখি। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী এজেন্দাশিং খন্নরকপদনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী (এম এস কে এ)গী ইমপ্লোয়ীশিংগী ওইনা মণিপুর সর্ভিসেস (রিভাইস পে) রুলস ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হায়নসু লেপ্পখি। হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এজেন্দাশিং খন্নরকপদনা দি মণিপুর প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি বিল ২০২০ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীফমদা ইন্ট্রোদ্যুস তৌবা হায়না য়ানখি। সী এ এফ এন্দ পি দি দিপার্টমেন্টকী এজেন্দাশিং খন্নরকপদা দিপার্টমেন্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিশিংগী ওইবা গ্রুপ সী অমসুং গ্রুপ দি পোষ্ট ১৬৬ দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট ওইনা লৌবদসু মীফম অদুনা অয়াবা পীখ্রে। লোয়ননা মীফম অদুনা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী এজেন্দা কয়ামরুমসু খন্নখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

কুমজা ২০১৬তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা হোমগী জোইন্ট ...

লামায় ১গী মখা... ফমশিং অসিদগী সুপরএন্ন্যুএসনগী চহী শুরদুনা ফেব্রুৱারী ২৯, ২০১৬কী নুমীৎয়ুংবা মতুংদগী রিটয়ার্দ তৌরগনি। রিটাইয়র্দমেন্ট অসিগা লোয়ননা এম সী এস ওফিসর ওইরিবা মহাক্কী সর্ভিস নুমীৎসিদগী টর্মিনেট তৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওর্দর অসিগী কোপীশিং মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর (ওক্রম ইবোবী), এদিসনল চীফ সেক্রেটরি (হোম), কম্মিস্নার (দি পি), একাউন্টেন্ট জেনরেল, মণিপুর, এম দি রেহানউদ্দিন চৌধুরি মশা, দেপ্যুটি সেক্রেটরি (জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্ট), ত্রেজরি ওফিসর/সব-ত্রেজরি ওফিসর (কন্সর্ন)দা পীখি। অদুগা দিপিগী গার্দ ফাইল/ওর্দর বুকতসু কোপী অমা থমখি।

অদুবু গভর্ণমেন্ট হায়বসিদি কর্ন্টিন্যুৱিং প্রোসেসনি হায়দুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা ফাওবা য়াওনা তৎতনা হায়নবদগী ওইরমগদবা মরমদা মমাঙগী লৈঙাক্তৌনা মীয়োক-মীচান ফবা হন্দক্কী লৈঙাকসিসু মহুৎ শীনবীনবা হেন্না মতিক চাবশিং কোকথোং অমা লৈরবসু থবক্তগী পোত্থাখ্রবশিংবু ‘ষ্টোপ গেপ এরেঞ্জমেন্ট’ ‘পার্ট টাইম’, ‘সর্ভিস এক্সটেন্সন’ নৎত্রগা ‘রি-এনগেজ’ হায়বনচিংবা হৈনা-শিংনা পুথোক্লগা থোনবা মমিংশিং শীজিন্নরকপগী হৈনবীদগী এম দি রেহানউদ্দিন চৌধুরিসু হৌখিবা কুমজা ২০১৬তগী হৌরদুনা হৌজিক কুমজা ২০২০ লোইশিল্লমদাই ফাওবদা মহাক্কী তোলোপ ‘রিন্যুমরেসন’ হায়দুনা ওন্থোক্লগা জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম)গী থবক অদুম্মক পুহল্লক্লল্লে। মঙোন্দা মমিংতদা ‘রিন্যুমরেসন’ হায়দুনা পীরগা অসুক থৌদাং চাউখ্রবা ষ্টেটসিগী হোম দিপার্টমেন্টকী পোষ্ট অসি চহী খূদিংগী ওইনা শাংদোক-শাংদোক্তুনা পুহল্লকপনি।

লৈঙাক্না মহাক্কীদমক থৌজানবীদুনা ফমসি শুংপো-পোত্থাহন দনা পুহল্লক্লিবা মহাক্না ফম অসিনা পাঙথোকফম থোকপা হোম দিপার্টমেন্টকী থবক থৌরম পুম্নমক অমত্তা চিংথদনা পাঙথোরক্লি।

চৎলিবা কুমজা ২০২০গী ওইনা ওগষ্ট ১৩, ২০২০দা ষ্টেট ফঙ্কসন ওইনা পাঙথোকখিবা ‘পেট্রিওটস দে’গী থৌরমদা পুলিস পর্সনেল ১৩দা পীখিবা চীফ মিনিষ্টরস পুলিস মেদল ফোর গেল্লেন্ট্রি অমসুং পুলিস পর্সনেল ৭তা পীখিবা চীফ মিনিষ্টরস পুলিস মেদল ফোর আউটষ্টেন্দিং দিভোসন টু দ্যুটি ফংগদবগী নোটিফিকেসন (নম্বর- ২৭/৬/২০২০-হোম (সী এম-মেদল)সু মহাক্না ওগষ্ট ১২, ২০২০ জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) হায়দুনা খুৎয়েক পীদুনা থোকখি।

লোয়ননা ষ্টেটকী অনৌবা চীফ সেক্রেটরি (হোম) ডা. রাজেশ কুমারনা ওক্টোবর ১৩, ২০২০ দা হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ওফিস ওর্দর অমা থোকখি। ওর্দর অদুনা মমাঙদা থোকখিবা ওর্দর পুম্নমক সুপরসিদ তৌরগা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসরশিংনা পুগদবা ৱর্কশিং এল্লোকেসন তৌখি। অদুবু হংলুবদা ‘রিন্যুমরেসন’ খরখক পীরগা প্রোটোকোল ওফিসর ওইনদা শীজিন্নবনি হায়রকখিবা এম দি রেহানউদ্দিন চৌধুরিবু দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসরশিংগী খ্বাইদগী মকোক (সিরিএল নম্বর-এ)দা জেইন্ট সেক্রেটরি (হোম) হায়দুনা পল্লকখিবগা লোয়ননা মহাক্না পুগদবা থবকশিং পীখি।

চীফ সেক্রেটরিগী ওর্দরসিগী মতুংইন্না মঙোন্দা এল্লোকেসন পীরিবা থবকশিংনা ভি ভি আই পি/ ভি আই পিগী ভিজিটশিং/ প্রোটোকোলগা মরী লৈনবা থবক পুম্নমক, আর্মি পেরা মিলিটরি ফোর্সেস অমসুং অতৈ ফোর্সশিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্নমক অমদি মসিগী মথক্তা টেলিফোন, টেলিকোম সর্ভিস অমসুং ইন্টর্নেট মেট্টরশিং, আই এন টি (ইন্টেল্লিজেন্স) য়াওনা দি এস আই/দি এস আর/ সী বি আই/এন আই এগা মরী লৈনবা থবকশিং, এয়রলিফ্ট রেক্যুইজিসন অমসুং এয়রলিফ্ট চার্জশিং রিকোভরিগী থবকশিং, সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) অমসুং মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু)গী থবকশিং সরেন্দর তৌরক্লবশিংগী রিহেবিলিটেসন/ সী ঐচ ক্যু/স্পেসল ওপরেসনল গ্রুপ (এস ও জি)গী থবকশিং, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্টকা মরী লৈনবা থবক পুম্নমক অমসুং ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি)গা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংনি।

মহাক্না থবকশিং অসি পুবদা মহাকপু দিপার্টমেন্ট অসিগী মরী লৈনবা এস ও/এস এশিংনা এসিষ্ট তৌগনি হায়নসু ওর্দর অসিদা পল্লি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা সুপ্রীম কোর্টকী দিরেক্সনদগী মণিপুরগী ফোর্মর/সিট্টিং এম পি/এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেসশিংগী মতাংদা পি আই এল ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস (পি আই এল নম্বর- ৩৮ ওফ ২০২০)গা মরী লৈননা হোম দিপার্টমেন্টতা হায় কোর্টতগী থা অসিগী ১০, ২০২০দা হৌজিক্না মিনিষ্টর ওইরবা ওইনাম লুখোই চেন্নবা কেস অমগী মতাংদসু রেন্যুমরেসনদা ওইরিবনি হায়রিবা জেইন্ট সেক্রেটরি (হোম) অসিনা থা অসিগী ১৫দা হায় কোর্টকী গভর্ণমেন্ট এদভোকেট আর কে উমাকান্তদা মহাক্না খুৎয়েক পীদুনা রিপোর্ট অমা থারমখি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক কুমজা ২০২০ লোইশিল্লকপগা ঈরোয়ননা মহাক্কী থেঞ্জাং নাইনা কুমজা ২০১৬তগী চহী-চহীগী শাংদোকহন্দুনা পোত্থাহল্লক্ত্রিবা ফম অসি অমুক্লসু শাংদোকহন্নবা লৈঙাক্লা প্রোসেস হৌরে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	90.119742
US Dollar	73.557723
British Pound	99.453414
Australian Dollar	56.075371
Chinese Yuan Renminbi	11.255352
Japanese Yen	0.711777
Malaysian Ringgit	18.205312
Singapore Dollar	55.415873
South Korean Won	0.066873
Saudi Arabian Riyal	19.615393
Thai Baht	2.462947
Myanmar Kyat	0.05456
Bangladesh Taka	0.86733

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	49658.00
Mumbai	–	Rs	49635.00
Delhi	–	Rs	49536.00
Kolkata	–	Rs	49720.00

GAS NEWS
KHUMBONG INDANE
Booking upto : 23-10-20
Only home delivery (within 3 days)
Contact no.7005771527
Office no. 9774068549
Whatsapp no. 8794973019
Time : 7.30am to 11.am